অফঘানদা লৈবা জর্নেলিষ্টশিংগী মরাইবক তম্বা ঙমদবা ফিভমদা লৈরি

কাবুল, সেপ্তেম্বর ২৯ (এজেন্সী) :

চয়োল তরুক্লোমগী মমাংদা টালিবাননা অফঘানিষ্টান মপুং ফানা খুদুম চনখ্রবা মতুং লৈবাক অদুদা নৌনা লাকখিবা টালিবান লৈঙাক্লা মিদিয়া হাউসশিং অমদি জর্নেলিষ্টশিংগা মরী লৈনবা অনৌবা চৎন-কাংলোন অমা শেমখিবা অদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা লৈরিবা জর্নেলিষ্টশিংগী মরাইবক তম্বা ঙমদবা ফিভম অমদা লৈরি হায়না রাইট গ্রুপশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ঙল্লিবৈ মতমদগী হৌরগা অফঘানিষ্টানদা মিদিয়া পর্সনশিংবু মীয়াম্না য়াম্না ইকাইখুম্নদুনা লাক্লি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা জর্নেলিষ্টশিংনসু শিবা কিদনা কখোকপগা লোয়নন মথৌ পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মসিনা মরম ওইরগা টর্কি, পাকিষ্টান, ইরান, ইন্দিয়া, টাজিকিষ্টান, উজবেকিষ্টান অমদি টর্কমেনিষ্টানদা লৈবা পাউমীশিংদগী মনিং তম্বসু হেল্লি। অদুমওইনমক নৌনা লাকখ্রবা টালিবান লৈঙাক্লা শেমখিবা মিদিয়া পর্সনশিংগী ওইবা চৎন-কাংলোনশিংগী মনুংদা য়াওরিবা মচাকশিং অদুনা মরম ওইরগা পাউমীগী মনিং তম্বা মপুং ফানা মাঙহন্নবা হোৎনরি। অনৌবা চৎন-কাংলোনশিং অদুগী মনুংদা মিদিয়া হাউসশিংনা পাউ ফোঙদ্রিঙৈগী মমাংদা লৈঙাক্কী ওইনা লৈরিবা গভর্নমেন্ট মিদিয়া এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টরগা হান্না পাউ ফাওনবা মথৌ তারি। মসিনা তাকপদি টালিবান লৈঙাক্কী মায়োক্তা পাউ অমত্তা ফোঙবা য়ারোই হায়বগা চপ মান্নে।

অমরোমদা লৈবাক অদুদা মতম শাংনা পাউমীগী শিনফমদা লৈরকখ্রবা মীওইশিংনদি টালিবানগী অনৌবা পোলিসি অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরক্লি। জর্নেলিষ্টশিংগী মায়কৈদগী য়ানিংদবশিং ফোঙদোরক্লবসু টালিবানগী মায়কৈদগীদি মখোয়গী ফিরেপ হোংদোকপা লৈত্রি। মসিদা নত্তনা টালিবান ফাইটরশিংনা লৈবাক অদুদা লৈরিবা জর্নেলিষ্টশিংদা অকি অখঙ পোকহনবগী থবক থৌওংশিং হৌজিকসু মখা তানা চথরি। মসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা লৈরিবা জর্নেলিষ্টশিংগী মরাইবক তম্বা ঙমদবা ফিভম অমদা লাক্লে হায়না রাইটস গ্রুপশিংনা মখা তানা ফোঙদোকখিবগা লোয়নন মালেমগী লৈবাকশিংনা মীৎয়েং চংনবা অপিল তৌরক্লি।

ইথিওপিয়া লৈঙাক্তা য়ু এননা পেন্দবা ফোঙদোকখ্রে

অদিজ অবাবা, সেপ্তেম্বর ২৯ (এজেন্সী) :

লালনা মরম ওইরগা তংদু লৈতাদবা ফিভম অমদা লৈরিবা ইথিওপিয়াগী টিগ্রে রিজনদা ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা ইথিওপিয়া লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙদনা লৈরিবা অদুবু য়ুনাইটেদ নেসন্সনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা অমদি পেন্দবা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা য়ুনাইটেদ নেসন্স হ্যুমেনিটরিয়নগী চীফ মার্টিন গ্রিফিটনা ফোঙদোকখিবদা, টিগ্রে রিজনদা লৈরিবা মীওই অয়াম্বা হৌজিক চাবা ফংদবগী খুদোংচাদবশিং মায়োক্লরি। মফম অদুদা লৈরিবা মীওই অয়াম্বা চানবা চীঞ্জাক লৈশিল্লক্তবদগী উরা, লৈ মনা অমদি অশংবা পান্বীশিং চাদুনা শিদনবা হোৎনরি। হৌখিবা কুমজা ১৯৮০ দগী হৌরগা টিগ্রে রিজনদা ইথিওপিয়া গভর্নমেন্ট ফোর্স অমদি টিগ্রে পিপলস লিবরেসন ফ্রন্ট অনীগী মরক্তা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লদুনা লাক্লি। মসিনা মরম ওইরগা মফম অদুদা লৈরম্বা মীওই মিলিয়ন অমরোম শিহনখ্রে অদুগা কয়া অমনা ময়ুম থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নহনখ্রে।

হৌজিক অৱাবা খাঙদুনা লৈহৌরিবা মীওইশিং অদুগী য়েংলগা মায়কৈ কয়াদগী মতেং পাংনবা হোৎনরি। অদুমওইনমক ইথিওপিয়া গভর্নমেন্টনা অৱাবা তারবা মীওইশিংদা তেংবাংগী পোৎলম মতম চানা য়ৌহনবা ঙমদ্রি। অৱাবা তারবা মীওইশিংদা তেংবাং পোৎলমশিং য়ৌহন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা য়ু এন অমদি হ্যুমেনিটরিয়ন গ্রুপশিংনা পীরকখিবা তেংবাং পোৎলমশিং লম্বীদা থিংদুনা টিগ্রে য়ৌহন্দ্রি। মসি য়াম্না লাইবক থিবা থৌওংনি।

হন্দক চয়োলগী ওইনা অৱাবা তারবা রিজন অদুদা মতেং ওইনবগীদমক পীখিবা তেংবাং পোৎলমগী চাদা ১০ দগী হেন্না মফম অদু য়ৌবা ঙমদ্রি। মসিগী মতাংদা মালেমগী লৈবাকশিংনা অহেনবা মীৎয়েং চংবগী মতম ওইরে। মতম চানা মীৎয়েং চংহৌদ্রবদি মীওই কয়া চাবা ফংদদুনা শিরবা য়াবগী ওইথোকপা চাওনা লৈ হায়রি।

অমরোমদা এইদ এজেন্সিশিংনা রিজন অদুদা মতেং পীবনা মরম ওইরগা টি পি এল এফকী মেম্বরশিং কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা মায় পাকপা ঙমদবনি হায়না ইথিওপিয়া গভর্নমেন্টনা ব্লেইম তৌরক্লি। পনবা য়াবদি টিগ্রে রিজনদা মতম শাংনা পৱার পায়দুনা লাকখিবা টি পি এল এফপু ইথিওপিয়া গভর্নমেন্টনা ইরিত্রিন ফোর্সকা পুন্দুনা তকথোক্লবা হোৎনদুনা লাকখিবনি।

জেলদা লৈবা গেঙ মেম্বরশিং খুৎ থোক্লরকপদগী মীওই ২৮ শিখ্রে: পুলিস

ক্কুইটো, সেপ্তেম্বর ২৯ (এজেন্সী) :

ইক্কেদোরগী মনুং চনবা গুয়াক্কুইলদা লৈবা জেল অমদা ফাদোকশিংগী মরক্তা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখিবগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ২৪ শিরে অমদি ৪২ হেন্না শোকহনখ্রে হায়না লৈবাক অদুগী নেসনেল ব্যুরো ওফ প্রিজনননা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা গুয়াস ষ্টেটকী গভর্নর পাব্লো এরোসিমেনানা ফোঙদোকখিবদা, ঙরাং নুমিদাং লিটোরেল প্রিজনদা লৈবা তোঙান তোঙানবা গেঙ খুৎপু অনীগী মেম্বরশিংগী মরক্তা থোকখিবনি। হৌজিক্তি থৌদোক অদু সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মপুঙ ফানা কন্ট্রোল তৌখ্রে। জেল মনুংদা হান্নগী ফিভম হল্লকখ্রে হায়রি।

রিজনেল পুলিস কম্মান্দর জেনরেল ফাষ্টো ব্যুনানোনা ফোঙদোকখিবদা, জেল মনুংদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা গেঙ খুৎপুশিংগী মেম্বরশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লখিবা অদুদা মী শিবা য়াবা মচিন তুম্বা পোৎশকশিং শীজিন্নখিবগী মমি চাওনা তাই। মতৌ করম্না ফাদোকশিং অদুনা মী শিবা য়াবা খুৎলায়শিং পায়রল্লিবনো হায়বদু হৌজিকমক্কী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

লোস লোবোস অমসুং লোস কোনেরোস প্রিজন গেঙ মেম্বরশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লখিবগী থৌদোক অদুদা খঙহৌদনা নোংমৈ কাপথোরকখিবগা লোয়নন পোকখায়বগী থৌদোকসু থোকখি। জেল সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা থৌদোক অদু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা তঙায়ফদনা লাইভ এম্যুনিসন রাউন্দশিং কাপখি। জেল মনুংদা থোকখ্রিবা থৌদোক অসি য়াম্না চিংনিনিঙাই ওইবা মরম্না অখন্নবা অৱাংবা থাক্কী কন্মিটি অমা শেমদুনা থিজিলহন্নবা শেম শাবা হৌখ্রে হায়রি।

ইক্কেদোরদা লৈরিবা জেলশিংদা চহী কয়াগী মমাংদগী পামদবা থৌদোকশিং লাক্লি। লৈবাক অসিগী জেলদা লৈরিবা ফাদোকশিং অসি মরুওইনা দ্রগ কার্টেলগী মেম্বরশিংনা অয়াম্বনি। মসিনা মরম ওইরগা গেঙ মেম্বরশিংগী মরক্তা য়াম্না তোয়না খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং থোক্তুনা লাক্লি। মরুওইনা লৈবাক অসিদা সিনালোৱা অমদি জালিস্কো গেঙ অনীসিনা দ্রগ লাল্লোনবগী থবক পাক শন্না তৌরি। গেঙ খুৎপুশিং অসিগী লুচিংবশিং পুলিসনা ফানবা হোৎনরবসু মায় পাকপা ঙমদ্রি। মমাং চয়োলদসু জেল অসিদগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা পিষ্টোল ২, রিভোলবর ১ অমসুং নেংমৈ মরু ৫০০ রোম ফাগৎপা ঙমখি।

এ য়ু কে য়ু এস পেক্টনা ইন্দো পেসিফিক ষ্টেবিলিটিদা অকায়বা পীরোই: য়ু এস

জকারটা, সেপ্তেম্বর ২৯ (এজেন্সী) :

ওষ্ট্রেলিয়া, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমদি বৃটেনগী মরক্তা তৌনখিবা এ য়ু কে য়ু এস হায়না মিংথোনবা দিফেন্স পেক্ট অদুনা ইন্দো-পেসিফিক ষ্টেবিলিটিদা অকায়বা অমত্তা পীরোই হায়না য়ু এসনা ফোঙদোকখিবগা লোয়নন পেক্ট অসিনা লৈবাক অমত্তদা টর্গেট তৌবগী ৱাফমসু লৈতে হায়রি।

লৈবাক অহুমগী ওইবা দিফেন্স পেক্ট অসিনা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা অয়েৎপা কয়া পীরকপা য়াই হায়না চাইনানা অকনবা মওংদা পেন্দবা ফোঙদোরকখ্রবা মতুং ইন্দোনেসিয়াদা লৈরিবা য়ু এস এনভোয়না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। এ য়ু কে য়ু এস পেক্ট অদুগী মখাদা ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ু এসতগী ন্যুক্লিয়র সবমেরিন টেক্নোলোজিশিং লৌগদৌরি। মসিনা মরম ওইরগা ইন্দোনেসিয়া অমদি মসিগী অকোয়বদা খুৎলায়গী লমজেল অমদি অর্মদ প্রোজেক্সনগী থৌওংশিং থোকহল্লকপা য়াই হায়না ইন্দোনেসিয়া লৈঙাক্লা ফোঙদোকখিবনি।

ইন্দোনেসিয়া খক্তা নত্তনা মলেসিয়া অমদি ফিলিপিন্সনসু এ য়ু কে য়ু এস পেক্টনা রিজন অসিদা চৈথেং পীরবা য়াই হায়না ফোঙদোক্লখি। লৈবাকশিং অসিনা পেক্ট অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রবা মতুং য়ু এসনা হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অহুম্না পেক্ট অসি সাইন তৌনখিবগী মরুওইবা পান্দমদি দিফেন্স সিষ্টেম মপাঙ্গল কনখৎহন্নবনি। মসিনা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা শিংনবা নৎত্রগা টর্গেট তৌবগী ৱাফম লৈতে হায়রি।

ইন্দোনেসিয়াদা লৈরিবা য়ু এস এম্বেসেদর সুং কিমনা ফোঙদোকখিবদা নৌনা সাইন তৌনখ্রবা দিফেন্স পেক্ট অসিনা রিজন অসিদা লৈরিবা লৈবাকশিংদসু চাওনা কান্নবা পীগনি। খুৎলায়গী লমজেল নৎত্রগা ন্যুক্লিয়রগী মতাংদা কা হেন্না খন্ননিঙাই ওইদে। মালেমগী ওইনা ন্যুক্লিয়রগী মতাংদা তোঙানবা চৎনবীশিং লৈজরি। মরম অদুনা রিজন অসিদা লৈরিবা লৈবাকশিংনা মীপাইনিঙাই ওইদে। মীপাইবা পোকপগী মহুত্তা দিফেন্স পেক্ট অসিদগী খুদোংচাবা লৌহৌনবা হোৎনবনা অফবা ওইগনি হায়রি। অমরোমদা চাইনানদি নৌনা সাইন তৌনখিবা পেক্ট অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

মেগ্নিচ্যুদ ৬.১ য়ৌনা য়ুহা হাখ্রে

টোকিয়ো, সেপ্তেম্বর ২৯ (এজেন্সী) :

জপানগী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুক্তা ঙসি মেগ্নিচ্যুদ ৬.১ য়ৌবা অকনবা য়ুহা অমা হাখ্রে। অদুমওইনমক সুনামী থোরকপা য়াবগী অকিবদি লৈতে হায়না জপানিজ অমসুং য়ু এস ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

য়ুহা অদুনা লৈবাক অদুগী অৱাং নোংচুপ অমদি নোংপোক থংবা শরুকশিংদা অকনবা মওংদা নিকহনখি। টোকিয়োদসু য়ুহা অদুগী চৈথেং ফংখি। য়ুহা অদুনা মরম ওইরগা অমাঙ অতা থোকহনবগী পাউদি লৈত্রি। য়ুহা হাখ্রবা মতুং জপান মেটিওরোলোজিকেল এজেন্সিনা ফোঙদোকখিবদা হৌজিকমক্কী ওইনদি অকনবা য়ুহা অদুনা লৈবাক অদুদা সুনামী থোকহল্লকপা য়াবগী খুদম অমত্তা ফংদ্রি হায়রি।

'ঙরাং পাঙথোকখিবা চাংয়েং অদু হায়পরসোনিক মিসাইলগীনি'

সিওল, সেপ্তেম্বর ২৯ (এজেন্সী) :

নোর্থ কোরিয়ানা ঙরাং মায় পাক্লা সমুদ্রগী ঈমায়দা কাপ্পুনা চাংয়েং পাঙথোকখিবা মিসাইল অদু ন্যুক্লিয়র ৱারহেদ পুবা ঙম্বা হায়পরসোনিক মিসাইলনি হায়না ষ্টেট মিদিয়া রিপোর্টনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়নন লৈবাক অদুনা পাঙথোকপা চাংয়েংশিংগী মনুংদা ঙরাংগী অদুনা খ্বাইদগী নৌবা ন্যুক্লিয়রগী চাংয়েংনি হায়রি।

বেলেষ্টিক মিসাইলশিং চাংয়েং পাঙথোকপদা মালেমগী লৈবাকশিংনা অথিংবা থমখ্রবসু মদুগী ময়োক্তা নোর্থ কোরিয়ানা য়াম্না শান্না পায়বা ঙম্বা মিসাইলশিং য়াওনা মখল মখা কয়াগী চাংয়েং লেপ্পা লৈতনা পাঙথোক্লি। নোর্থ কোরিয়ানা য়াম্না তোয়না মিসাইলশিং কাপ্পুনা চাংয়েং পাঙথোকপগী থৌরম অদুবু সাউথ কোরিয়ানা কয়ারক হন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রবনি। অদুমওইনমক নোর্থনা পাঙথোক্লিবা চাংয়েংশিং অসি মখোয়গী লৈবাক্কী দিফেন্স সিষ্টেম মপাঙ্গল কনখৎহন্নবনি। মসিনা য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংদা শিংনবা লৈতে হায়না কিমনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

অমরোমদা ঙরাং নোর্থনা সমুদ্রগী ঈমায়দা য়াম্না শান্না পায়বা ঙম্বা মিসাইল মায় পাক্লা চাংয়েং পাঙথোকখিবা অদুনা মরম ওইরগা সাউথ অমদি নোর্থকী মরক্তা উংখৎনবগী চাংহেনগৎহল্লকপা য়াই হায়না সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরি কম্মান্দরনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

ক্রোস ফায়রদা লান্মী অমা শিরে

ইস্লামাবাদ, সেপ্তেম্বর ২৯ (এজেন্সী) :

পাকিষ্টান অমসুং ইরানগা তায়নবা ঙমখৈগী শরুক্তা ঙসি থোকখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অমদা পাকিষ্টান লান্মী অমা শিখ্রে অদুগা অতোপ্পা অমনা শোকহনখ্রে হায়না পাকিষ্টান মিলিটরিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

পাকিষ্টান অর্মিনা হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা ইরানগী মায়কৈদগী নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু চথুবা হৌরকখিবনি। বালোকিষ্টানদা লৈবা পাকিষ্টান অর্মিগী চেক পোষ্টশিংদা খুৎলায় পায়বশিংনা টর্গেট তৌরগা য়াম্না তোয়না এটেক চথুবগী থৌদোকশিং থোক্লি। ইরানগী ঙমখৈ শরুক্তা লৈরিবা লালহৌবশিংনা এটেক অদু চথুখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজরবসু করম্বা গ্রুপনা চথুখিবনো হায়বদুদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ইরানিয়ন গভর্নমেন্টতা পাউ পীদুনা খঙহনখ্রে। অদুমওইনমক ইরানগী মায়কৈদগী হৌজিক ফাওবগী ওইনদি পাউখুম পীরকপা লৈত্রি।

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; WAIKHONG

Angom (O) Thasana Devi W/o (L) Angom Herachandra Singh
of Kakching Khunou, Uchan Makhong Leikai
R.R. No. 128/SDC/WKG 28/09/2021

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহল্লি। মদুদি Smt. Angom (O) Thasana Devi W/o (L) Angom Herachandra Singh of Kakching Khunou, Uchan Makhong Leikai অসিনা Legal Wife Certificate পীবিয়ু হায়না উক্ত Court অসিদা Application থারক্লে। মরম অসিনা কনাগুম্বা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিদা ফোঙলকপা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত Court অসিদা অইবা চেনা য়েৎপীবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। মখা তাবা Proceeding চখ্তজরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Waikhong, Manipur

HL-P/0209/30

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE FOR OBJECTION**

Imphal, the 29th September, 2021

No.Prop/SR/IW/2021: It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from **"Sekmai Kanglatongbi Development Club"** address as Kanglatongbi, Imphal West on 24-09-2021 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of Sekmai & Kanglatongbi only.

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/ Association/Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (ADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of proposed society/Organisation/ NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/ hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained. **(Further you can contact 9089297211 for any objection/quarry)**

Sd/- **I. Rajen**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West

HL-P/0205/30

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE FOR OBJECTION**

Imphal, the 24th September, 2021

No.Prop/SR/IW/2021: It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from **"Silam Sintha Nupi Lup"** at Singjamei Thongam Leikai on 23-09-2021 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of "Singjamei Thongam Leikai".

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/ Association/Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (ADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of proposed society/Organisation/ NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/ hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

Sd/- **I. Rajen**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West

HL-P/0207/30

OFFICE OF THE IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION

No. 3/1/2018-IMC-2 Imphal, the 28th September, 2021

ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ / খঙহঞ্জবা

Notice অসিনা মরম ওইরগা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal Municipal Corporation না পায়খৎচরিবা Pradhan Mantri Awas Yojana - Housing for All (Urban), PMAY-HFA (U) গী অনীশুবা Beneficiary Led Construction Project কী Preliminary Beneficiary List ফোঙলে। হায়রিবা List অসি IMC গী Website **www.imc.mn.gov.in** অমদি PMAY-Cell, G.M. Hall দগী য়েংবা ফংবীগনি।

কনাগুম্বা ৱাকৎনিংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং 5th October 2021 ফাওবগী মনুংদা PMAY-Cell, G.M. Hall দা Claims and Objections পীশিনবীবা য়াগনি।

N.B. ১) Claims and Objections পীশিনবা মতমদা Applicant গী Aadhaar য়াওবীরক্কদতবনি।
২) ছুটি নুমীৎ ওইরসু Claims and Objections লৌজগনি।

খঙহঞ্জরিবা : **Suranjoy Singh Laishram**
Assistant Municipal Commissioner,
Imphal Municipal Corporation

HL-B/7187/29,30

[illegible]

GOODWILL TUTORIAL FOR

COMMERCE

Konung Mamang, Near WAL United Youth's Club, Imphal East

Foundation Course: Class XI & XII (COHSEM & CBSE)
Classes Starting from 4th Oct 2021

SUBJECTS OFFERED:
ACCOUNTANCY BUSINESS STUDIES ECONOMICS MATHS

Both offline and Online Classes facility available

Special Features:
1. Supply Printed Study Materials
2. Weekly Test based on COSHEM & CBSE pattern.

For more details please contact 7005399276/ 9612350689/ 9612333542

HL-P/9533/30&2

VIMIT

VIBGYOR INSTITUTE OF MANAGEMENT AND INFORMATION TECHNOLOGY
SANGAIPROU, FCI ROAD, OPP. MSPDCL OFFICE, IMPHAL WEST

Limited Seat

ADMISSION OPEN
FOR THE ACADEMIC SESSION 2021-2022

Hostel Available

BBA Eligibility 10+2 BCA
(BACHELOR OF BUSINESS ADMINISTRATION) (BACHELOR OF COMPUTER APPLICATION)
THREE YEARS DEGREE COURSES WITH DUAL CERTIFICATION
Affiliated to Manipur University

2 Months Certificate Course on **Tally ERP9**
Classes will start from 8th Oct. 2021
6th Months Certificate Course on **DCA**

Prospectus / Form available during office hours on any working days
Please contact: 9612333542/7005847770/7005613687
Email-vimitimphal@gmail.com
www.vimitimphal.com

Sd/-
Dr. M. Biren Singh
Director, VIMIT, Imphal

HL-P/0200/29/9-5/10

[illegible]

ADMISSION OPEN

FOR THE FOLLOWING COURSES
1. RHYMES TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRE-PRIMARY & PRIMARY PRIVATE SCHOOLS
2. MONTESSORI TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOLS
3. RHYMES & CHILD DEVELOPMENT TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOL TEACHERS & YOUNG MOTHERS
4. ENGLISH GRAMMAR & SPOKEN ENGLISH COURSE FOR ALL
5. COMPUTER COURSE (MS-Office)

**The above courses are job oriented courses for enterprising, independent young women & girls.

FOR DETAILS PLEASE CONTACT : 913857960715 / 8974642764
OR WRITE TO : phoenixrhymeschool@gmail.com

PHOENIX SCHOOL OF TEACHERS TRAINING
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, IMPHAL

HL-B/7118/1/9-1/10

[illegible]

KANGLEIPAK MEDICAL AND NURSING INSTITUTE

Khurai Konsam Leikai

Admission is going on for Academic Session 2021-2022.

SL.NO.	COURSE	QUALIFICATION
1.	D. Pharm.	10+2 Sc
2.	Diploma in Medical Laboratory Technology	Matric, 10+2 passed
3.	Diploma in Radiography Imaging Technology	Matric, 10+2 passed
4.	Diploma in Electro Acupuncture	Matric, 10+2 passed
5.	Diploma in E.C.G.	10th pass
6.	Diploma in Operation Theatre Technology	10+2 passed
7.	Diploma in Dialysis Technician	10+2 passed
8.	Diploma in Opthalmic Assistant	10+2 passed
9.	Diploma in Ultra Sonography	10+2 passed
10.	Bachelor in Medical Laboratory Technology	10+2 passed
11.	Bachelor in Medical Laboratory Technology (Lateral)	DMLT passed
12.	Bachelor in Radiography Imaging Technology	10+2 passed
13.	Bachelor in Operation Theatre Technology	10+2 passed

- ☞ Wanted immediately two B.Pharm and one Librarian for Pharmacy College. Apply along with full bio-data and recent passport size photo.
- ☞ Online class will be started from first week of November 2021.
- ☞ Application form can be obtained during office hour.

Sd/- **Managing Director**

HL-P/0138/23/9-2/10

[illegible]

ADMISSIONS OPEN

FOR THE ACADEMIC YEAR 2021-22

HURRY UP BOOK YOUR SEAT NOW !
STUDY IN ONE OF THE BEST ENGINEERING COLLEGE OF BANGALORE

*** COURSES OFFERED: ***
**B. E (COMPUTER SCIENCE)*
**B. E (CIVIL)*
**B. E (MECHANICAL)*
**B. E (ELECTRONICS & COMMUNICATIONS)*
**B. E (ARTIFICIAL INTELLIGENCE & MACHINE LEARNING)*

* College Highlights *
*No Donation *Reasonable tuition fees *Beautiful college campus *Well equipped labs & training classes *Highly qualified teaching faculties *Placement in top MNC's Companies *Well furnished hostel rooms *Separate hostel for boys and girls.

CONTACT US: 9362331862, 8310788408.
OFFICE at Sagolband Meino Leirak, Imphal.

HL-P/0105/20/9-4/10